# মহারাষ্ট্রদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি জে পিগী দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা নৌনা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরে

মুম্বাই, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্র ষ্টেটতা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা এসেম্ব্লী মীখল লোইখ্রবা মতুং ষ্টেট অদুদা পোলিটিকেল পার্টি অমনা এবসোলুট মেজোরিটি ফংদবদগী লৈঙাক শেম্নবগী তোঙান-তোঙানবা লালোং কয়া চত্থদুনা লাকখিবা অদু ঙসি ষ্টেট অদুদা হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি জে পিগী দেবেন্দ্র ফদনবিসনা এন সি পিগী মতেংগা লোয়নননা নৌহৌননা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু পায়খ্রে।



নীংশিংবা য়াবদি, ঙরাং ফাওবদা মহারাষ্ট্র ষ্টেটতা এসেম্ব্লী সিট ২৮৮ লৈখিবা অদুগী মনুংদা বি জে পিনা টি ১০৫ ফংদুনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা এম এল এ খ্বাইদগী মশিং য়াম্না ফংবা ঙমখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা সিব সেনা, এন সি পি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিনা মতুং ইন্নখি।

বি জে পি খক্তা লৈঙাক শেম্বা ঙমদবদগী ষ্টেট অদুগী এসেম্ব্লী মীখলগী মাংওইননা ষ্টেট অদুদা চহী ৩০ চুপ্না সিব সেনানা বি জে পিগা চুশিন্নদুনা লাকখিবা অদু হন্দক্কী মতাংদা সিব সেনাগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ফম অদু পার্টি অদুদা পীননবা তকশিল্লকখিবনি। মীখল মাংওইননা পার্টি অনীনা লৈঙাম শেম্বদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী ওইবা ফম অদু তঙ্খাই তঙ্খাই ওইমিন্নবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদুদা সিব সেনানা পীয়ু হায়রকপা অদু বি জে পিনা য়াখিদবদগী চয়েৎনবা লাক্তুনা ষ্টেট অদুদা প্রসিদেন্টস রুল থম্লকখি।

ষ্টেট অদুগী পোলিটিকেলগী চয়েৎনবদা ঙরাং ফাওবদা বি জে পিনা লুচিংবা মমাঙগী লৈঙাক অদু লৌথোক্তুনা সিব সেনা-এন সি পি-কোংগ্রেস পার্টি অহুমগী চুংশিন্নবা লৈহন্দুনা সিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইরগা এন সি পি অমসুং কোংগ্রেসনা মখোয়বু শৌগৎপা হায়না ঙরাং পার্টি অহুমগী মীফমদা য়ান্নখিবা লৈখিবনি।

অদুবু ঙসি ষ্টেট অদুদা অনৌবা মায়ওন অমা লাক্তুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না এম এল এ ফংখিবা বি জে পিবু নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা সরদ পৱারনা সিব সেনা অমদি কোংগ্রেসকী চুংশিন্নবা খোঙজং অদুবু নাথৈরগা বি জে পিদা শৌগৎতুনা লৈঙাক শেম্বগী খুদোংচাবা অদু অথুবদা পীখি।

লাক্লিবা খোঙথাং অসিনা মরম ওইরগা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু ঙসি অয়ুক্তা ষ্টেট অদুগী গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারিনা মমাঙগী লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দেবেন্দ্র ফদনবিসনা চীফ মিনিষ্টর ওইরগা এন সি পিগী লুচিংবা অজিৎ পৱারনা দিপ্যুতি সি এমগী ৱাশক লৌখি।

# ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক শীনবা থুংনা অনৌবা মেদিকেল কোলেজ ২৬ লিংখৎপদা অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেন্ত্রেলি স্পোন্সর্দ স্কিম (সি এস এস)কী মখাদা লৈবাক শীনবা থুংনা অনৌবা মেদিকেল কোলেজ ২৬ লিংখৎপগী অয়াবা পীখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি লোক সভাদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র অশ্বিনি কুমার সোবেনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অদু লোক সভাগী সেসনদা এম পি এস গন্নাথিরাভিয়াম, বসন্তা কুমার পন্দা অমসুং সপ্টাগিরি সঙ্কর উলাংকানা হংলকপা ৱাহংদা পাউখুম ওইনা পীখিবনি।

মিনিষ্টরনা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৬তা লৈঙাক্লা সি এস এসকী ৩শুবা তাঙ্ককী ওইনা মেদিকেল কোলেজ ২৬ হাংদোকপদা অয়াবা পীখি। সি এস এসগী মখাদা জম্মু এন্দ কাশ্মির, লদাখ, রাজস্থান, টামিলনাদু অমসুং উত্তর প্রদেশতা মেদিকেল কোলেজশিং হাংদোকপগী থবক থৌরম পায়খৎখি। অহুমশুবা ফেজদা টামিলনাদুদা মেদিকেল কোলেজ ৬ হাংনবগী অয়াবসু লৈরে হায়খি।

এম পি অহুমগী ৱাহং অদুগী পাউখুমদা মিনিষ্টর অশ্বিনিকুমারনা মখা তানা পাউখুম পীখিবদা উরিষাগী রয়াগদাদা অনৌবা মেদিকেল কোলেজ শাবগী মতাং অদুদা লৈঙাক্কী অয়াবা লৈত্রি। নাগালেন্দ মেদিকেল কোলেজগী মতাংদা ষ্টেট অদুগী এম পি টোখিয়ো য়েপথোমিনা হংলকপদা নাগালেন্দ মেদিকেল কোলেজ সি এস এসকী অহানবা ফেজতা লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ১৮৯কী শেনফমদা সেন্ট অমসুং ষ্টেটকী সেয়র ৯০:১০দা য়ান্নখিবনি। মখা তাবা সেন্টরগী অনৌবা থৌরাং লৈতে হায়খি।

# সি এস আই আর লেবনা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট দিজল ওন্থোক্নবগী টেক্নোলোজি লৈরে ঃ হর্স বর্ধন

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি): লো সভাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি হর্স বর্ধননা ফোঙদোকখিবদা সি এস আই আর (কাউন্সিল ওফ সাইন্টিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্স)কী লেবতা প্লাষ্টিক্কী ৱেষ্টশিং অসি দিজলদা ওন্থোকপগী অনৌবা টেক্নোলোজি লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



মিনিষ্টর হর্স বর্ধনগী ৱাফম অদু ঙসি লোক সভাদা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী এম পি সোগাটা রোইনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোঙদোকখিবনি। মিনিষ্টরনা মখা তাখিবদা কুমজা ২০১৬তা দেহরাদুন সিটিদা লৈবা কাউন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্স-ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পেট্রোলিয়মদা প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং অসি মীয়াম্না শীজিন্নবা য়াবা মওংদা ওন্থোক্নগী টেক্নোলোজিগী থবক পায়খৎখিবনি।

চহী অসিদা মহাক্লা সেন্টির অদুদা অমুক হন্না চৎলুবদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট টন অমনা পুং ২৪দা দিজল লিটর ৮০০ পুথোকপা ঙম্বগী দেমোনষ্ট্রেসন প্লান অমা উহল্লকখি হায়রি। হায়রিবা প্লান অদুনা প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং অসি পেট্রোল অমসুং অতোপ্পা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ হায়খি।

# নাক্সলগী এটেক্তা ঝরখন্দগী পুলিস পার্সনেল মরি শীখ্রে

লাটেহর, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি): ঝরখন্দ ষ্টেটকী লাটেহর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা খুঙ্গং লুক্যটনদা নাক্সলগী এটেক অমদা পুলিস পার্সনেল ৪ শীখ্রে।

চন্দৱা পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা লুক্যটন খুঙ্গংগী মনাক্তা পুলিস পেট্রোল ভেন অমদা খুৎলায় পায়বা মাওইষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমা য়াওনা পুলিস পার্সনেল মরি শীখিবনি।

লৈখিদ্রবা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অদু সুক্রা অরোন কৌই। অদুগা অতোপ্পা পার্সনেলশিং অদুনা হোমগার্দকী জৱান সিকন্দর সিংহ, জমুনাথ প্রসাদ অমসুং সম্ভু প্রসাদনি। থৌদোক অদু ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রগুভর দাসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সনেলশিং অদুগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ছটিসগরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অঙনবদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগা নোংমৈ কাপ্নবগী তোঙান-তোঙানবা থৌদোকশিংদা নাক্সল ৪ হাৎখ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিল ছটিসগরগী দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ (দি আর জি) অমসুং স্পেসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ)কী অপুনবা খুৎপুনা চত্থখিবা থি-হুম্বগী থৌদোক্তা নাক্সলগী মীওই ২ নোংমৈ কাপ্নবদা হাৎখ্রে হায়না বাষ্টর রেঞ্জগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুন্দরাজ পিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু সুকমা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বুরকাপুল পুলিস ষ্টেসনগা নক্কনা লৈবা মিনপা খুঙ্গংগী উমংদা থোকখিবনি। নাক্সলগী শীখ্রবা মীওই অনী অদু মখোয়গী ওইবা য়ুনিফোর্মদা থৌদোক থোকফম অদুদা লৈরমখি। মফম অদুদগী খুৎলায় ৫সু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না আই জি পি সুন্দরাজনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অদুগী মাংওইননা ঙসি অয়ুক অঙনবদা রাইপুর দিষ্ট্রিক্টতগী কিলোমিটর ৫০০ রোম চৎলগা লৈবা ফুলবাগি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মুল্লর খুঙ্গংদা পুলিসকা খুৎ থোক্নবদা নাক্সলগী মীওই অমা হাৎখি হায়রি। লৈখিদ্রবা নাক্সল অদুদগী ৱেয়রলেস সেট অমা অমসুং কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়না আই জি পি অদুনা মখা তাখি।

# ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুস্নেল সিষ্টেমদা গভর্ণরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ ঃ প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী গভর্ণর অমদি লেফটনেন্ট গভর্ণরশিংগী নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থৌরমগী অহৌনবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ ফোঙদোকখিবদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা গভর্ণরশিংগী অচৌবা থৌদাং অমা কন্সটিট্যুস্নেল সিষ্টেম অমা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।




প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা গভর্ণরশিংনা মখোয় মখোয়গী করিয়রদা পব্লিক লাইফকী ওইনা এক্সপিরিয়েন্স চাওনা লৈরিবা অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা মীয়ামগী ওইবা অফবা মায়কৈদা শীজিন্নগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

গভর্ণরশিংগী থৌদাং অসি কন্সটিট্যুসন ঙাক শেনবা অমদি অশোই অঙাম য়াওহন্দবগী থৌরমশিং অদু খক্তনা লোইবা য়াদে। মখোয়না থৌ পুরিবা ষ্টেটশিং অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি মদুগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অহেনবা পুক্নিং চঙগদবনি হায়খি।

প্রসিদেন্টনা মখা তাখিবদা মহাক মশামক য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা গভর্ণরশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা লেফটনেন্ট গভর্ণরশিংনা পায়রিবা ফম অদু মীয়ামগীনি। মীয়াম্না হংলকপদা পাউখুম পীনবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হান্নগী লৈরক্লিবা কো-ওপরেটিব ফেদরেলিজমনা পীরিবা ৱাহন্থোক অদু মীয়াম্না খনগৎলকপা মীহুৎশিং অমদি লৈঙাক্ক । থৌ পুহল্লিবা লুচিংবশিং অদুগী মরক্তা য়াম্না নক্নবা পাউ ফাউনদুনা মীয়ামগী য়াইফনবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপগী ৱারোলসু য়াওরি হায়খি।

ৱারোলশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্ন বগীদমক্তা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা মমাঙগী লৈঙাক্লা শেল্লম্বা অমদি চৎনদুনা লাকখিবা প্লানিং কম্মিসন লৌথোক্তুনা নিতি আযোগনা মহুৎ শীনখি। মসিগী ইরোইননা পালির্যামেন্টতা ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসননা সেন্ত্রেল টেক্স রেভিন্যুগী সেয়র অদু হান্না লৈরম্বা চাদা ৩২দগী চাদা ৪২ হেনগৎহনখি।

মসিনা তাকপদি সেন্টর লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা চত্থরিবা থবক থৌরমশিং অদুদা মীয়ামগী রেভিন্যুদগী সেন্ত্রেল টেক্স রেভিন্যুনা হেনগৎহন্দুনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি হায়খি। স্বাছ ভারত মিসনগুম্না জল শক্তি অভিয়ান খোঙজং চঙশিনগদবনি হায়না কোবিন্দনা মখা তাখি।

# প্রাইভেট কেটর ৪৭তা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মখোয়গী সার্ভিস হেন্না ফগৎনবা নোটিস পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সি): ইন্দিয়ান রেলৱেজকী মখাদা লৈরিবা কেটরিং এন্দ টুরিজম কোর্পোরেসনন তোঙান-তোঙানবা লৈবাক অসি শীনবা থুংনা রেলৱেগী পেসেঞ্জরশিংদা পীরিবা কেটরিংগী সার্ভিসশিং পীরিবা প্রাইভেট কেটরর ৪৭তা মখোয়না হান্না চল্লাইরিবা সার্ভিস অদু হেন্না ফগৎহনগদবনি হায়না নোটিস থোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মায়কৈদগী লৈবাক অসি শীনবা থুংনা ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা পেসেঞ্জরশিংদা পীরিবা কেটরিংগী সার্ভিস অদু হেনগৎহন্নবা হায়খিবনি।

মিনিষ্টর ওফ রেলৱেজনা ঙরাং থোকখিবা অতোপ্পা চেরোল অমদা লৈবাক শীনবা থুংনা হৌখিবা থা লোইশিল্লকপা ফাওবদা কিলোমিটর ২৪৬৩গী রেল লম্বী অসিগী ট্রেক রিন্যুএল পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১৮-১৯গী সিজনদা রেলৱে ট্রেককী কিলোমিটর ৪১৮১ রিন্যু তৌখি। অদুগা চৎলিবা চহী ২০১৯-২০গী ওইনা ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদা ট্রেক রিন্যুএল অদু কিলোমিটর ২৬৪৩ গী শরুক লোইশিনবা ঙম্লে হায়না রেলৱে মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখি।

অলত্রাসোনিক ফ্লো দিটেক্সন (য়ু এস এফ দি)গী টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী রেল ট্রেকশিং অদুগী ফিভম য়েংশিনবগী থবক পায়খৎতুনা লাকপনি।


Office of the

**MANIPUR RENEWABLE ENERGY DEVELOPMENT AGENCY (MANIREDA)**

(An Autonomous Govt. Institute under the Power Department)
2nd Floor,South Block,Secured Office Complex,Near 2nd M.R. Gate,
Imphal-Dimapur Road, Imphal-795001

**NOTICE INVITING BID**

Imphal, Dated: 18th November, 2019

NIB No. : MANIREDA/SPP/DC/2019-20/16 Imphal, dated: 18/11/2019
Online tenders are invited from Registered Company/Firm/Corporation etc. in India with experience of executing contracts of Off-Grid or Grid connected Solar Power Plants for :

| Item(s) | Tender No. | Total Capacity | Cost of Tender Document (Rs.) | Caution Money Deposit (CMD) (Rs.) |
|---|---|---|---|---|
| Renovation of existing 9 Nos. of 25 kWp Off-Grid SPV Power Plants at 9(nine) Deputy Commissioner's offices in Manipur including 5 years Maintenance and Performance Warranty Contract (MPWC). | MANIREDA/ SPP/DC/ 2019-20/16 | 135 kW (15 kW x 9 Nos. | 500/- | 1,00,000/- |

| Last date & time for submission of E-Tender online | Last date & time for submission of Hard Copies | Date & time for opening of E-Tender |
|---|---|---|
| 10/12/2019 upto 12.00 Noon sharp | 10/12/2019 upto 12.30 P.M. | 10/12/2019 at 2.30 P.M. |

Details of the Bid and Tender Document can be downloaded from the website www.manipurtenders.gov.in or www.manipur.gov.in or www.manireda.com. Bidders have to upload their bid at www.manipurtenders.gov.in.

HL-B/5819/24

Sd/- **Director, MANIRADA**



/ অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু মশানা অমুক চংখিবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু মশানা অমুক চংখিবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবা ওইনাহাম্বা, অমাংথোঙ মনুংদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা অমদি খোঙ হাম্বা ঙমদবা, নুমিদাংগী মতমদা অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোরকপা, নোংমা নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা অমদি কুচু মুশিল্লকপা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, য়াংলেন শরূদা নাবা, খ্বাং নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, হকচাং হৈনীং-শিংনীংদবা, শোম্থরগতা লৈবা, কনাগুম্বগা ৱারী-ৱাতাই শানবদা ফাওবা চনীং তানা শাননীংদবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5333/24

থাগৎচরিবা : **K. Surchandra,** Andro



**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1534/SDC/NBL of 2019**

Wahengbam Mema Devi, W/o (L) W. Tomcha Singh of Khathong Awang Leikai ...Petitioner.

-Vs-

(Late) Wahengbam Khelendro Singh, S/o (L) W. Tombung Singh of Khathong ...Pattadar.

**/ NOTICE**

Dt. 23/11/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Village No. 14-Khathong, Patta No. 33 (Old) 201 (New) dag No. 483 area 0.23 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/5150/24

Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Nambol



OUR SHINING STARS



1st Position Holder HSLC 2019 ( BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd Position Holder HSLC 2019 ( BOSEM) SOPHIYA ASEM

**SMART TUTORIAL CENTRE**
Singjamei Super Market

**ADMISSION OPEN**
REVISION COURSE 2019-2020

Class XII Sc Start on 25-11-2019

Class X (BOSEM) Start on 13-12-2019

**NEW FOUNDATION COURSE 2020**
Class IX, X, XII Sc
**START ON 13-12-2019**

SUBJECTS :
Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.

Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)



/ **Stock Market Training@AAA**

75th & 76th Batch, Start on 4th Dec. 2019
Time : Morning : 7:30 am, Evening : 3.00 pm, Duration : 2 Weeks

**Training Contents:**
=> Capital Market => Fundamental Analysis => Technical Analysis
=> What kind of Company to Buy / Sell => Profitable Strategies
=> Portfolio Build up => Risk Management => Financial Planning
=> Live Practical with one of the Best Softwares for Stock Market Investment in India
*** 21st ... Batch Option Training Starting on 26th Nov. 2019 at Morning 10.00 am

**Assure Asset Advisory Pvt. Ltd.**
Sukham Building, 1st Floor, Opp. Kwakeithel Bazar, Tidim Road Side. Mob : 7005172719 / 9862987820 / 8794850550
http://www.facebook.com / aaafincorp
www.aaafincorp.com

HL/P-5362/24



PMKVY

Skill India

N·S·D·C National Skill Development Corporation

**FREE**
4th Phase
3 months certificate course in Self Employed Tailor
Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY)
in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.

Admissions Open

Highlight of the Course
- Regular classes theory with practical
- Fabric cutting, stitching etc.
- Pattern making.
- Job offer/ placement.
- Incentive in every successfull candidates.
- Many more offers.
- Last day of form submission25/11/2019

Class Commencing on last week of November.

More details, Contact,
Manipur Welfare Organisation
Training Centre ( TC040988)
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,
Near Royal Academy of Science, Imphal -East.
Contact No. 9774723147/ 9774328353
Email. shotingotimayum@gmail.com
tamsharma09@gmail.com

**Limited seat capacity, Registration Open.**

HL-P/5297/15-24



**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH & RHYMES COURSES**

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

.HL-B/4529/25oct.to23nov